১২শুবা দি এল সী ৱাই সী এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

থৌবাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :

চহী খুদিংগী লেপ্পনা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরী কম য়ুঠ সেন্টর (দি এল সী ৱাই সী) থৌবাল অথোকপমনা লাইরিক-লাইশু, শান্ন-খোৎনবা অমদি তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক-হেন্দোক্লবশিংদা পীদুনা লাকপা ১২শুবা দি এল সী ৱাই সী এৱার্দ, ২০১৭ ঙসি সেন্টর অসিগী শঙলেন্দা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা খাঙবোক এ সীগী হান্নগী এম এল এ ওক্রম লন্ধোনি দেবীনা অথোইবা মীথুংংলেন, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন টি ঐচ শ্যামোনা থৌরম মপু অদুগা চরাংপাৎ গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান মাইবম ইবোপীশক অমসুং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৭ কী কাউন্সিল্লর ৱাই প্রেমাবতিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা দাইজদা ফমখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা লৈকায় অমা লমদম অমা চাউখৎপা অহোংবা পুরক্কবা হোৎনবদা ক্লবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। দি এল সী ৱাই সীনা হোৎনরিবা থবক থৌরমশিং অসি থাগৎনিঙাই অমনি হায়না হান্নগী এম এল এ লন্ধোনিনা শীংথাখি।

মহৈরোয়শিংনসু মহৈ-মশিন তল্লিঙৈ মতমদা লাইরিক্তা পূক্নিং চঙনা তমসি, শান্ন-খোৎনরিঙৈদনা শান্নবদা পূক্নিং চঙসি, মপা-মমা ওইবশিংনসু মচা-মশুশিংবু ফত্তবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিংদগী লাপ্পা লৈনবা কন্না চেকশিন্না য়েংশিনবীয়ু, ওজাশিংনসু মচা-মমৌদৌনা নিংথিনা পূক্নিং চঙনা তাকপী তন্বীদুনা য়েংশিনবীয়ু। মরম অদুদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু অফবা তুংগী য়ুম্বী অমমম পুরকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি এল সী ৱাই সীগী সোভিনর অমসু ঙসিগী মীথুংলেনশিংনা মীয়ামদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হন্দক হায়দোকখিবা বোসেম অমসুং কোসেমনগী এগজামিনেসনশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা মায় পাক্লক্লবা ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ৩২, ক্লাস টুৱেল্বকী মহৈরোয় ৬, সী বি এস সীগী ক্লাস টুৱেল্বকী মহৈরোয় ৪ অমদি সী বি এস সীগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ৫, তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মনা ফংলক্লবশিং, মেদিকেল, এঞ্জিনিয়ারিং তম্নবা খল্লবশিংদা শেলগী মনা, সাইটেসন অমদি অচন্বা খুদোলশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। দি এল সী ৱাই সীনা কোনবা মফমদগী খ্বাইদগী চহী য়াম্লবা অহল অহুম্বসু সোল অমমম খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা তোঙান- তোঙানবা মীওইশিংনা কৎলকপা এৱার্দশিংসু য়েন্থোকখি।

লোয়ননা দি এল সী ৱাই সীনা শীন্দুনা চহী অসিগী জান্যুৱারী ২২ দা কাঙলুপ অনী থোক্না 'ইনভাইরনমেন্ট এন্দ লাইফ' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদসু মনা-মথুমশিংসু য়েন্থোকখি। চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস থ্রীদগী ফাইভ ফাওবগী কাঙলুপ্তা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুরগী পাইখোন্বা থোঙামনা অহানবা, এল এম হায় স্কুল অথোকপমগী মহৈরোয়শিং লৈমপোকপম লোয়াঙম্বা মৈতৈনা অনীশুবা অদুগা খাঙেম্বম মিনালক্সমী চনুনা অহুমশুবা তাখি।

এপ্রিল ২৩ দা ক্লাস আইটতগী টেন অমসুং ক্লাস ফাইভতগী সেভেন ফাওবগী কাঙলুপ্তা অনীথোক্না পাঙথোকখিবা ক্যুইজ চাংদম্নবদা অনীমক্তা এল এম হায় স্কুল অথোকপম্না অহানবা লোইনা তাখি। এপ্রিল ৯ দা পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রী অমসুং ফোরগী স্পেল্লিং চাংদম্নবদসু এল এম হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মকোক-মথং লোইনমক তাখি।

সেন্টরনা পীরকখ্রবা শেনফমশিং অথুবদা ষ্টেট লৈঙাক্না থাদোকপীয়ু : দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট পরিষদ থৌবাল

থৌবাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :

এম জি এন আর ঈ জি এসকী ময়োল লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট) না মণিপুর ষ্টেটকীদমক থেঙ্খাং অনীরক্তা থাদোরকখ্রবা শেনফম (ফন্দ) শিং মীয়ামগী য়েংবীদুনা ষ্টেট লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা অথুবদা থাদোকপীরক্তুনা মীয়াম্না থবক শূবা ফংনদবগী অৱাবশিং কোকহনবীয়ু হায়না দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট পরিষদ থৌবালগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি নুংথিল দি আর দি এ থৌবালগী চ্যেরমেনগী ওফিস কাদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা পাঙনতবী জি পিগী প্রধান অদুগা দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট পরিষদকীনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরিবা এ ধিরেননা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক এম জি এন আর ঈ জি এসকী ৱাফম অসি মণিপুরদা ফোং-ফোং শারিবা মীয়াম্নসু য়াম্না কন্না ঙাঙনরিবা ৱাফম অমনি। অহানবা হৌদোকখিবদা নুমিৎ ১০০ নি মীয়ামদা থবক শূবা ফংহল্লম্লবসু হৌজিক নুমিৎ মশিং ককথখিবগী হন্থহনখিবগী মীয়াম্না পেন্নদবা লৈরিবনি।

ধিরেননা মখা তানা হায়, হৌজিক জুন থা লোইগদৌরে, এপ্রিল ১ দগী হৌখিবা চহীগী থৌরাং থা অহুম শুগদৌরবা অসি ফাওবদা পঞ্চায়টশিং অমদি মরী লৈনবশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটকীদমক পীরকখ্রবা শেনফম (ফন্দ) শিং ঙসি ফাওবা লুপা অমাফাওবা থাদোরকপা শীন্নরকপা তৌদ্রি। অদুমকপু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থেঙ্খাং অনীরক্তা হাবদি চহী অসিগী এপ্রিল ১৩ দা লুপা ক্রোর ৬০ অদুগা মেগী ২৫ দা লুপা ক্রোর ১৯ অমগা ষ্টেটতা শীন্নরকখিবগী রেকোর্দ লৈরে। অসুম্না ষ্টেটনা শেনফমশিং ফাজিন্দুনা থম্বা অসিনা মীয়ামদা নুমিৎ মশিং শুনা থবক শূবা ঙমদবা অমদি থবক শূখিবগী খুৎশুমল পীথোকপা ঙমদবগী মরম অমসু ওইহল্লি।

মীয়ামগী অৱাবশিং অসিদা অকনবা মীৎয়েং থন্বীদুনা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা শেনফমশিং মরী লৈনবা পঞ্চায়টশিং জিল্লা পরিষদশিংদা থাদোকপীরক্নবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মমাঙদা হৌখিবা লৈঙাক্নসু অমদি হৌজিক্কী লৈঙাক্নসু পঞ্চায়টি রাজ হায়বসি থৌ-ৱা শাবীদনা পূক্নিং চঙবীদবগুন্বগী মওং অমা লৈবা মাল্লি হায়নসু পেন্দবা পূক্নিং নুংশি ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মরী লৈনবা পঞ্চায়টি রাজ লোয়শঙগী মিনিষ্টরনসু পূক্নিং চঙবীদুনা মীয়াম্না নুমিৎ মশিং য়াম্না থবক শূবা ফংদ্রিবা অমসুং খুৎশুমল মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রিবশিং অসি কোকহনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

ঙসিগী পাউমীশিংগা উনবা অদুদা থৌবাল জিল্লা পরিষদকী অধক্ষা কে ঐচ সুর্নলাতা, ৱাঙু জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এন রোমেন, ৱাংখেম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ সোভা অমদি জিল্লা পরিষদ নোমিনীশিং, থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্চায়টিশিংগী প্রধানশিংসু শরুক য়াখি।

এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চকী মেরিটোরিয়স এৱার্দ

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসেম, কোসেম অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামদা মায় পাক্লক্লবা শিংজমৈ মায়কৈদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা লাক্লিবা জুলাই ৯ দা শিংজমৈ থোংদা পাঙথোক্লগনি। বোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনদা চাদা ৭০ অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্বকী এগজামিনেসনদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা চাদা ৭০ অমসুং আর্টস অমদি কম্মার্স ষ্ট্রিমদা চাদা ৬৫ গী মথক অমসুং সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী ওইনা চাদা ৮০ গী মথক্তা ফংলকপা মহৈরোয়শিংদা প্রাইজ পীগনি। শিংজমৈগী শিরোই পেপর মার্থ, ত্রিবেনি বুক ষ্টোর, মণিপুর বুক হাউসতগী লাক্লিবা জুলাই ৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবীয়ু হায়না এমসু শিংজমৈ ব্রাঞ্চকী চেরোল অমনা হায়রি।

চহী কয়াগী মমাঙদগী ফুনগৎতুনা লৈরম্বা দ্রেনশিং শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) :

নোং খজিক্তুং তাবগা লমদমসিদা থোক্লিবা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউশিংদগী ঙাকথোক্নবা পান্দমদা ৱাঙ্গেই এ সীগী এম এল এ ওইনাম লুখোইনা পি দি এগী দি-সেল্টিং মেছিন শিজিন্নদুনা চহী কয়াদগী ফুনগৎতুনা লৈরক্লবা শামুরৌ কৈথেল মনাক্তা লৈবা দ্রেনশিং শেংদোকহনখ্রে।

শামুরৌগী মৈরা পায়বী নুপী কয়া অমদি ক্লবকী মীহুৎশিংগা লোয়ননা এম এল এনা দ্রেনশিং অদু শেংদোকখিবনি। ঙরাংদগী হৌনা দ্রেনশিং শেংবগী থবক পায়খৎপা হৌহল্লবা মতুংদা ঙসি দি-সেল্টিং মেছিন অদু শিজিন্নদুনা শেংদোকহনখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এ লুখোইনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী শামুরৌ কৈথেল মনাক্তা লৈবা দ্রেন অসি শেংদোকপীদবনা নেং তারকপা মতমদা ঈশিং চেনবা ঙমদনা ফুনগৎতুনা লৈবদগী মনাক নকপদা লৈরিবা য়ুম কয়াদা ঈশিং থুমজিনবা তোয়না থোকই। মসিদসু নত্তনা লম্বী ময়ায়দা ঈশিং থুমজিনবনা লম্বীগী ফীভম কয়াসু শোকহল্লি। হৌজিক্তি ফুনগৎতুনা লৈরম্বা দ্রেনশিং অসি শেংদোক্তুনা মীয়াম্না মায়োক্নদুনা লৈরম্বা খুদোংচাদবশিং অদু খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লগনি।

মীয়াম্না ফুনগৎতুনা লৈরবা দ্রেনশিং অসি শেংদোকপীনবা হায়রকপদগী ঙরাংদগী হৌনা ইস্কাভেটর শিজিন্নদুনা শেংবা হৌখিবনি। ইস্কাভেটরনা শেংদোকপা ঙমদ্রবা কয়া অদু ঙসি পি দি এগী দি-সেল্টিং শিজিন্নদুনা শেংদোকপনি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না এ সী অসিগী য়াইফ থৌরাংশিং নিংথিনা তানরগা পায়খৎকনি। এম এল এনা অফবা থবক অমা তৌখ্রবদি মদুগী মতৌ তমদুনা অফবা থবক তৌবগী মহুত্তা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং চঙদুনা মীংচৎ থিহন্ননবা অমদি তৌরিবা থবক অদুবু শিংথাবগী মহুত্তা নমথনবা হোৎনবা কয়া লৈরি। অদুগুন্বা মীওইশিং অদুদগী মীয়াম্না লাপথোক্না লৈবীয়ু হায়নসু এম এল এনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফুনগৎতুনা লৈরম্বা দ্রেনশিং শেংদোকখিবা অদুবু থাগৎলদুনা হুইরেম শান্তি কৌবী নুপী অমনা হায়খি, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মরী লৈনবা মীহুৎশিংদা দ্রেন অসি ফুনগৎতুনা লৈরকপা কুইরে। অমুক্তা শেংদোকপীয়ু হায়না হায়জখিবসু লৈখ্রে। চৈরক অসিদা এ সী অসিগী এম এল এনা মীয়ামগী খুদোংচাদবশিং য়েংলগা দ্রেন শেংবগী থবক পায়খৎপীরকপা থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

The Women Development Organisation হায়না মিংথোনবা Organisation অমা শেমজরগনি। হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিদা মেম্বর ওইনিংবশিংনা অমদি য়েৎপীনিংবশিংনা লাক্লিবা তাং ২৯/৬/২০১৭ ইং, ফাওবগী মনুংদা মখাদা সহী তৌজরিবা অসিদা Complain তৌবীয়ু। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই।

খঙহঞ্জরিবা : H. Phajarei Devi
Women Development Organisation
Wabagai Makha Leikai

HL-P/1887/22

ꯃꯥꯡꯈꯤ/ORIGINAL MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Hr. Sec. Examination bearing Roll No. 4610 of 2014 issued by COHSEM on the way from Bishnupur to Keishampat on 19/06/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thajamanbi Longjam
Bishnupur Ward No. 11, ☎ 8014891754

HL-P/1885/22

ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯆꯪꯁꯤꯟꯕ

Direct Admission

Dolphin Institute, Dheradun
IPH&H New Delhi

COURSES OFFERED :

Low Fees/No Donation/Scholarship available for Engg.

MBBS/ENGG. in China
Diploma/UG/PG Courses
Nursing (GNM/BSc) at Andhra Pradesh
Med. Lab.Tech/Dental Tech./OT Tech./Dialysis Tech/X-Ray & ECG Tech./Cath Lab Tech./Physiotherapy/Microbiology/ Agri/Horti/Forestry/General Studies (Sc/Arts/Com) and Many more courses at Delhi and Dheradun

Hurry!!! please contact : AD Sharma
Phone No. 8014825210 / 9863029228

HL-P/1882/23to1 july

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্না লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেম্বলী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্না লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্না লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্নবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোঙ্গিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্না ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9615533737, 9856271907
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/3893/28/05-27/06

FREE 3 MONTHS TRAINING COURSE FEE WITH DRESS 100% JOB ASSISTANCE

Sl.	Course Available	Qualification	Ages
1.	S.S. Selling Skills	Graduate	18-35yrs.
2.	O.A. Office Administration	Graduate	-do-
3.	R.S. Retail Sales	Graduate	-do-
4.	Tourism & Hospitality	XII & Above	-do-
5.	W.D. Web Designing	X to XII	-do-
6.	E.H.A. Electrical & Home Appliance's Repair	-do-	-do-
7.	R.C.O. Retail Cafe Operation	-do-	-do-
8.	R.A.C. Refrigerator & A.C. Repair	-do-	-do-
9.	P&M Pumps and Motor Repair	-do-	-do-
10.	C.A.C. Central Air Conditioning	-do-	-do-
11.	P.A.T. Paint Applications Techniques	-do-	-do-
12.	L.A.D.C. Lab Assistant at Diagnostic Centre	-do-	-do-
13.	Electrician	X & Above	-do-
14.	Plumber X above	X & Above	-do-
15.	Bar Bender & Steel Fixer	VIII Above	-do-

URGENT JOB VACANCIES FOR EX-SERVICEMAN & FRESHERS

Sl.	Name of Post	Ages	Salary
1.	Security Guard	Upto 50 yrs.	13,000 & Above
2.	Security Supervisor/Gun Man	-do-	14,500 & Above
3.	Security Officer'/Assistant Security Officer	-do-	16,000 & Above
4.	Training Instructor	-do-	18,000 & 30,000
5.	Driver	-do-	13,000 & Above

MULTIPLE JOB VACANCIES

Sl.	Name of Post	Qualification	Salary
1.	Accountant	XII passed/Tally knowledge	6,500 & Above
2.	Field Officer	XII and Above	6,500 & Above
3.	Security Supervisor	XII passed	6,000 to 12,000
4.	Home Tutor	XII and Above	Negotiable
5.	Attendant (Receptionist)	X & XII passed	4,000 & Above
6.	Driver	VIII & X passed	6,000 to 13,000
7.	Cook/House Keeping	VIII & Above	6,000 to 12,000
8.	Security Guard	VIII & Above	5,000 to 9,000

LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 24/06/2017
INTERVIEW DATE : 26/06/2017
OFFICE HOUR : 9:30 a.m. to 4:00 p.m.

For Details Please Contact :
: 7424017313, 8794829055
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai

HL-P/0197/16 to 23 june

ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯄꯤ ꯄꯤ ꯑꯍꯥꯡ/ꯑꯍꯥꯡ ꯄꯤ

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

Estd : 2003

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & TMSS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
GEORGIA: EUROPEAN UNIVERSITY

PLZ Contact: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,Near Cambridge School, old Campus Imphal.

Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 7085715427,8974084294 ,

HL-P/1609/26/05 to 25/06

ꯊꯕꯛ/JOB NEWS

কনাগুম্বা থবক থিরিবা মীওইশিংদগী Office Assistance, Branch Manager, Chowkidar, Driver, Accountant, Receptionist, Smart Boy's and Girl's 24 গীদমক্তা মীওই খরা পামজৈ। মশাগী চহীনা ২৭ কী মনুংদা লৈবা, Qualification না VIII, X, XII Pass ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা হেন্না পামজৈ। Post কী মতুং ইন্না মাগী Salary লৈগনি, থৱায় য়াওবা অমসুং পান্বীবা মীওইশিংনা ঙসিমক অথুবদা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

DEPOSIT লৈজরোই, Last Date : 26-06-2017

Contact : 7629010261, 8794508015

HL-P/1890/22

ꯈꯨꯝꯅꯥꯡ/MEETING NOTICE

Imphal, the 16th June, 2017

A Joint Meeting of the Wholesellers, Retailers & E.C. Members of MCDA will be held on 24th June, 2017 at Hotel Nirmala at 2:00 p.m. (sharp). The meeting is convened on the request of the Sale Tax Department and Medical Directorate officials.

AGENDA :

1. Issue of drug licence.
2. To discuss on GST with Power Point Presentation by Sale Tax officials.
3. GST and Sale Tax Registration issues.
4. Any other matter with the permission of the Chair.

You all are requested to attend the said meeting positively.

Sd/- Ch. Shyamjai Singh
General Secretary, MCDA

HL-P/1877/21&22

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

Khurai Sajor Thoidingjam (near Babu Hotel) Main Road কা তাইনবদা পোইন্ট ০.০৮৩ চাউবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী Contact No. অসিদা পাউ ফাওবীয়ু।

Contact : 7005816523

HL-P/1873/21,22,23

ꯑꯣꯝ:/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কোনবীরম্বা **শরুংবম ইবোমচা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৫-০৬-২০১৭ ইং, ইঙাগী ২১ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা ঈশ্বরগী খুয়াদা চঙজখ্রে।

হৌখিবা তাং ২০-০৬-২০১৭ ইং, ইঙাগী ২৬ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ২৮-০৬-২০১৭ ইং, ইঙেনগী ৫ নি পানবা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শোরাৎ থোক্লে।

নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং ঈশ্বরগী খুয়াদা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরূপ-মপাং অমদি শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পুন্নমক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরমদা শরুক য়াবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেদা পাউজেঞ্জবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

নোংক্লুকচরিবশিং :-

১) শরুংবম ওংবী কোন্থৌজম ববিতা (মমৌনুপী)
২) ,, ওংবী লাইশ্রম রঞ্জনা (মমৌনুপী)
৩) ,, ওংবী য়ুম্নাম সরোজা (মমৌনুপী)
৪) ,, ওংবী মংশাতাবম মোনিকা (মমৌনুপী)
৫) ,, হেম্বোইবী (মশুনুপী)
৬) ,, প্রিন্সি (মশুনুপী)

১) শরুংবম মহেন্দ্র সিংহ (মচানুপা)
২) ,, অজিৎ (মচানুপা)
৩) ,, দিপক (মচানুপা)
৪) ,, হেমন্তা (মচানুপা)
৫) ,, অয়ুক্ (মশুনুপা)
৬) ,, এরিক (মশুনুপা)
৭) ,, কেভিন (মশুনুপা)
৮) ,, তোমথিনঙানবা (মশুনুপা)

সেগা রোড জেলর লৈরক, ইম্ফাল।

HL-C/051/21-25



job vacancies

Sl.No.	Name of Job Vacancy :	Age :	Qualification :	Salary P/M

1. Wanted C.S.A. For upcoming FMCG Companies in Imphal.
Post: - C.S.A Staff for regular Job Age: - 18 to 38 years. X /XII - Rs-9800 to Rs-14200.
No of Post-14 both male & Female. Working Hour:- 3 to 5 hour. Job Role :- Back Office

2. SMS. Job Staff Wanted: - An ISO 9001: 2008 certified company
India's No.1 Part-Time/Home Based Work Provider Since 1997
Part Time: - Working Hour 2 hour /day. Rs-500 -700 per day Salary. Qua: - VIII & Above.
Full Time: - Qua – X/XII & Above, Age -18 to 35 years only. Monthly Salary: - Rs-7500 to Rs-16200.

3. Urgent Recruitment Tele-Caller Reception in Imphal.
Post: - Tele caller Reception 18 to 40 years XII to Graduation or Equivalent
Monthly Salary: - Rs-10200 to Rs-21200. Travelling fees provided. No of Post : 06

4. Urgent requirement for Field Staff :
Post :- Field Staff / Field Agent / C.S.A- 18 to 35 years X-Graduation Rs-16500+
Provided for -Insurance, Travelling & Allowance .

5. Join Merchant Navy After 10th or ITI Course to Graduate
Requirement For :- 1. Rank-Trainee Navigation Officer (Deck Cadet) Salary- Rs 25,00/- to 45,000/-
2.Rank-Third/Second Officer Salary- Rs 90,000/- to 1,25,000/- pm
3.Rank-Chief Officer ,Salary- Rs 2,20,000/- to 2,50,000/- pm
✱ Freasher candidate can apply after Age of 17 years.

6. VACANCIES IN JET AIRWAYS, SPICE JET, INDIGO AIRLINES
FOR CABIN CREW, AIR HOSTESS, GROUND STAFF, TECHNICAL DEPARTMENT (+12,GRADUATES)
Min Salary Rs. 20000 Max Salary Rs. 70000 Age - 18 to 38 Years
Jobs in Airport as Supervisor&loader(10th&12th pass)Job Type: Full-time Min Salary: ₹28,000.0

7. 9 International Business jobs in Dubai, United Arab Emirates + 10 miles
i) Financial Planning & Analysis Accountant
ii) Online Sales Manager (Home Electronics)
iii) Business Development Manager
Min Qualification :- XII,
Salary :- Rs-56,0000 Starting
Age :- 18 to 36 years
Facility: - Accommodation & Travelling fees free

8. Wanted Back Office Staff for Imphal :-
i) Asst- Manager / Area Manager 20-36 years Min-Graduate Rs-24,000 - 30,000
ii) Reception , Attendent , Accountant 18 - 36 years Min-XII Rs- 8,700 -14,600
iii) Driver , Peon & Helper -do- Min-VIII Rs- 6,000 - 9,600

Helpline nos-8974975286 VISIT US AT :- Helpline nos-8974975286
Office of the :- Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazaar,Airport Road, Imphal.

HL-B/3910/4 to 1 Aug. (alt.)

ADVANCED COACHING INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729

The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.

ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯄꯤꯔꯤ ꯆꯪꯁꯤꯟꯕ

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)

Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)

Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2017

2nd Position (Sc.2017)
R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches

2nd Position (Arts)
Guneshori

3rd Position(Arts)
Dholenchandra

8th Position(Arts)
Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 7308911167

HL-B/3879/23-2 0 (Alt.) July

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College (Childrens' Ideal High School, Imphal)

ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯆꯪꯁꯤꯟꯅꯕ/ADMISSION OPEN (BOSEM & COHSEM)

CLASS X (2nd BATCH)

Class Commencing on 5 June 2017

CLASS XI Sc. (1st BATCH)

Class Commencing on 26 June 2017

CLASS XII Sc.(2nd BATCH)

Class Commencing on 5 June 2017

Class Timing 5.am to 7.30.pm and the 4.30.pm to 7.30.pm

For more details #7629855465 / 9615784302

HL-B/3922/8-1 AUG. (ALT.)